লম্বু তাগী হোরকফম

১মুং

কেগে কংলৈরোল

.েকপা অমসুং হন্দোকপা

চনম হেমচন্দ্র

উরিপোক নাওরেমথোং ইম্ফাল


R.S.
Printers

নম্বু তাপী হৌরককম

এমং

কেংগে কংলেরোন


[illegible] [illegible] [illegible]

চনম হেমচন্দ্র

[illegible] [illegible]

তাং ৩।৫।-২০০৪ ইং

[illegible]



ফোংদোকপা :—

চনম হেমচন্দ্র

উরিপোক নাওরেমথোং ইমফাল

পুস্তক শিন্দোকপা অমসুং হন্দোকপগী
মখুৎতা লৈগনি ।

অহানবা খুৎহমম মশিং ১০০০
মমল লুপা ৩৫

পুথোকপা :—
তাং ৩ । ৫ । ২০০৪ ইং,
কালেনগী ১৪ নি পানবা নিংথৌকাবা

[illegible] প্রেস
উরিপোক নাওরেমথোং · ইমফাল ।

রাহায় থরা

হৌখিবশিংনা ওসিগীদমক হায়বীরবশিং ওজি থেংনকবদা হায়কম থওদবা অমা লৈরম্মি। ওজি থেংনরিবা পাওজেবা ঐনা হয়েংগীদমক করি হায়জবা ওমপদগে থমজুবদা লুংনাংবা কাওই। লম্বু ভাগী হৌরককম পুয়াবু ইবীরবশী মকমদা চটকে, কেগে কংলৈলোল পুয়া ইব' 'বা মকমকতু চংতরি।

লম্বু ভাগী হৌরককম হায়বা পুয়াসিদা ভাইবং পাজমদা রাপাজশিংদু লুনা চান্না ভৌবা, রাগী চুককম থংনা শিজননবা মীওইবগী ভৎলো খবা ইমুং ময়ম্মা লোৎশক অময়রি হায়বা ভাকপীরবগী লোয়নদা পুয়োল রাগী হৌরককমগী রারি শিখুন মাওরি। লমবু ভা হৌবমু করম্মা লাককিবগে ভাকপদা নজুনা কেগে মোইরাংগা চৌ মীশিংগা লুংশি চানটগী রাম্বু ভাক্রই।

কেগে কংলৈরোল হায়বা পুয়াসিদনা কেগে মোইরাংদা লৈরম্বশিংনা করি ভাকনা থওনা লৈরম্বা ভাকই। লোয়নদা হৌখিবা থোদোক রাখোকশিংনা লমগী মমিং থোক্লমলি। লমগী মমিং থোকলবদা নৎতনা মহৌশাগী উমং রামং লুংশিং লু শা ঈশিং ঈশ্বরগী থোংচৎকা মাওমতুনা মতম অতুগী মীওইশিংনা চৎমীটে। থোদোক রাখোকশিংতুনা মমিং থোক্লমদবনু, থোদোকশিংতুনা কেগে মোইরাংগী মশকতু ভংকই।

মসিবু তাগী হৌরককম পুস্তকসি লৈখিজ্রবা হাওবম নবাম উত্তরপোক খুমন্তেম লৈকাইদা লৈবনা শিনবীরম্মি। লৈখিজরবগী মকমদা ইকাই খুম্নবা উৎচরি। কেগে কংলৈরোল পুস্তকসিনা মাইবম অশোককুমার সিংহ মখোল কোইরিং মমংদা লৈবনা শিনবীরক্রবগী তুংদা পুস্তক অমি অমগা অমুক ফংজনবা লাইরিক অহম চাশিনজবগী খুদোংচাবা কংজখি। মসিগীনমক পুস্তকসু শিনবীরকপশিংগী মকমদা ইকাই খুমনবা উৎচরি। লাইরিকশি পুথোকনবা হোৎনবদা ওমা ইবুংগো চুথোচেম থোইবা উত্তরপোক লমুংদা লৈবনা মতেং পাংবীবশীদমক ওঝাগী নমন তোনশিনজরে। পুস্তকসিবু ইথাবকা ইপা ইপুশিংগী খুম্নাখাদ পাংজবনা চংজরি। ওঝামহৈশিং অশোই অগ্রাম অরান অহুই হাওদনবা হোৎনজখি। পাকীস্তিবশিংনা অরান অহুই থেংনবীগনা হায়বীরক্রবশি লৌশিনজনা মখংদা চুমথোকচগনি। হে পাংবী-রকপা শুমংগাজিৎ উত্তরপোক, এল নবচন্দ্র সিংহ লমবোই-খোংনাংথোং অমসুং এল লতাই সিংহ থাংমৈবন শিনাম লৈকাইদা লৈবশিংগী মকমদা ইকাই খুমনবা উৎচরি।

চনম হেমচন্দ্র
উত্তরপোক নাওরেমথোং ইম্ফাল,
তাং ৩। ৫। ২০০৪ ইং
সিংথোকাবা, কালেনগী ১৪ নি পানবা

তৈনা ঈ

সুকমু লেতম ফেলমা
কোইমোম কুরোক হুমা
চেঙচা মায়ঙৌ তাল
আইসায়া বৈখিং খেঙা-মা
হৈতৌ উমু তাংবা-মা
মোকমু চেঙমোম-তাকা
চেঙমা মাক্তা খিম
কোইমোম কুংদা চিং
খুংনিংথৌ তোলপোকপা নিঙখনচেঙ
তাঙপা হুইয়া মালবা-চেঙ
চেঙ-তা তেকত বাগু নিঙখংসে
সুকমু লেতম ফেলতৈদা
হুমাং সেলকোয়া-খি
কোইমোম কুরোক হুতৈদা
কোককৌ লমখুম-খি
চেঙচা মায়ঙৌ তালতৈদা
শায়া পোলথল-খি
চেঙচা মাণ্ডতা খিমতৈদা
মোমনু সুমখোঙচালল-খি
কোইমোম তুংতা চিংতৈদা
চুবা সাংখু খি

(২)

নিওখন চেওচা তাংমৈলো
নুখা কাঁবক খোরখোম-ঙ্গি
হইখ্রা মাজবা চেওচা তাংমৈওদা
উঁতি লমখোত-ঙ্গি,
চেও-চা খেকতাবরু-নিওখংনৈও
চেওছি তৈকা-ঙ্গি
তাম্বা চেংচা কৌখুৈলা
খোকখৌ-শাঙ্গি তৈলা খ্রিমে
তখাঁ চেংচা খৌখুপি

চনম দেববর্মা
তাং ২৪ । ৬ । ২003

পারেমবনা শুরম্বা তা লম্বুগী পোককম

লাইনিংথৌ থাংজিংবু ইথুং তরামক্লা থুরুমমা পারেমবনা শুরম্বা লম্বুগী পোককমবু ইজরক্নে। লম্বুগী মৈহোৌবারোন থাবা পোককম হৌকম কংবা মথৌক্তী লম্বু শাবগী রাবু লেংজরককে।

শ্রীল শ্রী নিংথৌ উরা খুম্নাবগী মহাকথক্লা মমথৌ থাংজিং চিংগা নাপোম ৯মক্তা ক্ষুমা শুপনা মহোম হাইন। পানফারাবা খোংনাই থাইমা নিংথৌ কোবা অমা পালমমে। মাগী মহোম অমা শাংলি। কোলোই মমিং থোন্দা আইবা চৈমা কোই। মপাগী মমিং লোনা হুল্লুরাইনে। অনি শুদবা চৈনে চৈরাং চৈপাম কারে শাংবা মণ্ডম তমলকপদা খোইনো মতাংশিংগা হোপা

শুরবা — শিজীনরমবা। লুম্বু — তা মথল অমা। মহোম অমা শাংলি — মচাম্বুপী অমা পোংকই। মমিং লোনা হুল্লুরাইনে — মক্তো তমপা, মমিং লোনা থোনবা। চৈরাং মপাল কারে শাংবা মণ্ডপ তমদকপা — মপুং মচৈ ফাবা।

লোমন খাদা নুরা লোকুম খাদা পাময়ানৈববু নিতে নুমিৎ থুদিংগী চংনবদা য়োংগয়াই মালেম অঙানবদা চয়োম য়ুখোম খোক্লা রাংলৈয়ু খোম কংনা রাম্বকপনু য়োইমায়াই তাওদনবা নুমিৎ সনা খোমদোন অতোম্বনা নমু তাইবং মীগী সাইয়োম্বোকনা কুমথীঙাইনে। নুরা মদোম শাংপা লৈবু থুজেং পাল্লোই লাক্লা থাজাই চেপ লৈথা মাশানোবু তোংবাইন মলঙদা হৈরাং মশিং য়ান তাওজিং মরু পন য়োংময়াই মালেম অঙানবদী লাঙোই খোঙাওননা নোংগাখিরবদা হাওনু মীকপখোম্না থাংজং চিংশা নাপোম মনিন্নাই লোকচন নুংগাইহন মীৎসনা থম্বাল মানবা অনিমক লাইজা তারং হোনা নোইনু লোকুম শংদগী মীকপ খোজেললকপবু উরবদা আইনা নিংথৌ মমা তমেল লৈমা অনিমনা চেন্না য়াংদোং চোংনা থুজেং পাল্লোইলাক্লা পাওহংবু পাওখুমদ্রবদা লোইবী হাওবা থম পুম্নমক খোইনোমতা পুন্নমক হাওগী

লোমন খাদা — লন অনগী মমিং। নুরা — চনু নিংথোল। য়োইমায়াই — থোকলিবা নুমিৎকী মমিং। চয়োম য়ুখোম — লৌবুক্তা চাননবা চাক চয়োম। রাংলৈ য়ুখোম — থকমবা য়ু। রাম্বকপা — থক চানা। নুমিৎ সনা খোমদোন অতোম্বা নুমিৎকী মমিং অমা। শাইয়োম্বোক — মওং হোংদোকপা। হৈরাং মশিং য়ান তাওজিং মরু পানবা — মীরোনব। লাংগোই খোংগাওনবা — [illegible]

মেনবুংথক্তা মুরা মখোম শিংনা ছুইরেনশিং যাংগোই নাল্লা অনমমন। পাওথেম্নদ্ আইনা লৈমানা পাওথুমজবদা, খোইনৌ মত্তা চানাবা হৈরাং মখোম চাম্লানবাদদা পাইমা নুংগোইন্নুংগী বারু ভমলবদা খোইনৌ মত্তাশিংগা পাইমা নুংগোইন্নুংদা থুপ্লিনফম চেৎথে। থুম্লাক লুপ্লাক পুরমক্তা থংলে। ইবেম্মা হবেং ইন্নুং ঙাম্লবগা নুরা পামমান শংদা চংলকুইদনে হায়বগা ইন্নুং শোয়া হৈতনা ঙানবা হাওনা লাইঙ্গা ইসং চবভুম কপ্পনবগা। ইন্নুং শোয়াইতেনা ঙানলবদা মোংথৈ থুংতা পাইনা নুরা মখোম কোকুম শংদা লাকলবদা। মশানৌগী মীকপ খোঙুলব থাবা উমদ্রবনা য়োইমরাই যালেম আঙাংলবানা লাংগোই সামাই শৈজরকলে। লাঙ্গোই সগাংথক্কী য়োময়াইনা কুম্না থুজেং পান্নোই লাক্লা হাইরম্নে। হে ইবেম্মা অটনাইলেমা কোম্লোই পাও হাইবমগে। ঐঙ্গী নুমাং কোনা লাইনি। নংনা যাম্না বাবদো বায়গন্তু নপা নপা অনিমদসু। তাকউ।

মেনবুংথক্তা — ফমফম। ছুইরেনশি যাংগোই নাল্লা — শু শিনা নাল্লা। পাওথেম — য়ানবা হায়বা। খোইনৌ মত্তা চানাবী হৈরাং মখোম চাম্নবা — যাম্না নুনা ভীমনভবী মমাম্নবী পাইমা নুংগোইন্নুংদা থুপনা লিফম চেৎথে — ভাংদোকতনা থমোইদা থমথে। থুম্লাক লুপলাক — থুনগী অভম ভথৌ। ইন্নুং শোয়ানা ঙালবা — মোংঙালবা। পামমান শং — পামদা শাবা পোৎথা শং। লাঙ্গোই — শগোল। থুজেং পান্নোইনা - থুজেং পাইনা।

ঐদি শুসিজগী লাকআরোটরে। ঐগী ইন্তুংশিন্দুনা চৈশু অমা পীরমগে নংগী পাঙ্গন ওইজোওঁ। শানা কৈনা লিন্না কাংনা লাইনা থিন্না চংক্ষবোটদনে শোকক্ষরোইদনে।

নুমিৎ ঐগী সাচৈনে হৈবা ... যানবদা নুমিৎ ঐগী ইহিচানে হাইরবগা চেংলৌ ... ন্দান্না হুইবোট থাগোন্না। মতাং মরি পানবা চৈশু ...। বাগী চৈশু আন্তু মশানৌবু থামলমলবগা যোইময়াই মালেম অঙানবাদা পামেল শায়ি উকারক্তা শমলবদা। শেঃ শেঃ পামেন শায়ি উকারক্তা যোঙ্গিমায়াই ঐগী পাঃ অমা থারমগো। মসিনা শিংঙেন লৈবু ওইশানো লৈরাং আসিনা শাংলবদা ইচামিপা পোক্লে হায়বা খংজগে। হৈয়েং মতম অতুদা চাঙবা মরেপ ফা শাঙবা, মঙম ঙমলবদা যোইদায়াই ঐনা চাথি মৌথিক্লরগে। শিঙেন অসিনা শাংত্রবদি ঐদি হন্নাইরকবোই হাইরমলবগা। য়োইমায়াই লাঙ্গোই সয়াংথক্তা থিংথিংথরবদা আইনা

হৈরাং মরু য়ানবা — মীয়োনবা। ইহিচা — ঐগী ইচা। চেংলৌ চিন্দীন্না হুইরোই থাগোন্না — নুংশিনা কোননা লোইনবা। যোইমযাই মালেন অঙালবা — নুমিৎ শিংজোল — মউ অচৌবদা লৈশাংতমবা লৈ। চাথি মৌথিবা — মচাগী মমৌ থিবা। হলবাইরকললোই — হলকলমোই।

লৈমা নুরামীকপ তাওনা লৈহোৱে। অসি নুংগীবু মপাগী মচুনা নিংজোল কাদা লোঞ্চদাম থাজা ৭ শুনা ফিরাল-লবদা পোৎজা কোয়ৌ মচামত্তা মোইরাং থুয়োম লোমী-যাক না তাপ্ত আইনা নিংখো উমগে হায়জুনা লোইঙ্গু থনকোক হান ঙারম চৈরোম শাম্বা পুদনা লোইবী চিংদা কারককয়ে। মতাও নিংখো লেমমদে। মতা-লৈনাসুং লৈহমদে। আইনা লৈমাগা মপাগী মরুপ আতাক্পা অনাগী অহোংশংদগী পোংগ ফীদাখা রাংলৈ নুংখাম থকমীম্বাজুনা রাখাগৈনরে। ইপা ইবুংঙো ঙাস লোংনাক্তাঙাইয়ে হাইরবদা ইবেম্মা ইপাতম্বা কল্লগে ইতাওদি কেমা মাউম্বা য়ৈহাইরবগা পাম্বা শিংনাও-লশিং কাইরেন মপা মতিক চানা লেমলে। ইবেম্মা ইপা রা হাইগে তাও। হৈরাং মচা রামবু হৈরাং মপিং ফংক্রে তাওজিং পাচ্চুমকলে। ইমাগী মোইরাং লাকম য়াইরা থাপোকপংদা তরা চথোঙমগে। ইপান,

নুবা — নুপী। মীকপ — কপপা। নিংজোল — মযুম শানদাবী নুপী ফিরালব — মীবোনবা। মতাও — মনবাবা। লোইবী — চৌং। অহোংশং — লৈনবা যুম। পোং — মী। রাংলৈ — যু। তননা হলগে — থুনা হলগে। হৈরাং মচা মানবা — মীরোনবা। তরা চথোঙমগে — তাক থোংলমগে।

তরা চাককোগে। ওসি মঙানি শুবদা কুমমকও হাউরম-রবগা খুয়োম লোমীরাকপা মযানয়াইদা হল্লুরাইখে। মযানয়াইদা থুংলবদা ন্যমিৎ মঙানিশুরবদা অাইন নিংথৌ মমোমলেমানা খোইনোমত্তা পুম্নমক্কা হাওগী লোমনথাদগী পাল হৌখাই লাশিং চুগাঙ্গাক শিংহোল পুমমবু লোইবা হাওখাকখ্ম, শামুনম তুংথানাল শমু নমদা পেনা খোইনোমতাশিংগা কুন্নাকপা মচন মোইরাং নিংথৌ নুংডাইবা লোক্তাক ইপোমহো ঙারু খেরে চিন্দাইমা ফিংঙউ ইকোংমা উয়া নুংশা য়াইনা লম কেগে মোইরাং লমনুংশি মোইরাং তাউবিমনায়োন লোক্তাক থরাশানা পামবা লমনুংশি নপা মোইরাং লোমিরাকপগী খাইরা থাংপোকশংদা রাউথুংলরবদা থোইয়োমলোমীরাকপানা মমোগবু তরাম তরাম পাও-গোননা খাইরা থাংপোকসংদা পুশনলে খুয়োম লোমীরাকপানা ইমোম লাকই হাইদনা খুয়োম লোমীরাকপীগা মথেন লুকোহ থোং তরা চয়োম খোক্না মানা পোকপা মচাগুম শাম্ম। য়াংক্কোকশাগুম

তরা চাককোগে — চাক কোগে। হল্লুরাইখে — চৎখে।
মযানয়াইদা — মযুমদা। মমোমলেপ — মচানুপা। খোইনো-মতা — মমনাবী। শামুনম — দনাজন। থাংপোকশং — য়ুম মথল অম। লৈবা য়াবা য়ুম। তরাম তরাম পাওগোনবা — হরাওনা ওকপা, কৌবা। মথেন লুকোহ। হেক্কাং মথেল। শাম্মা য়াংকোক শাগু — মাম। পে কচাপা মচাগু।

থালে চাকলুক অমতদা তরামপেন লুক্কোই নিংঙ্গিনরে। খোইনোমতা তরেৎমঙ্ক চারে। শিংবোন ইহবোন পুনাম্নাইপা তনবা হাও পাখং মঙোমকপু চারে। তং চঙম চাবা লোইরবদা ইপা তরুংঙো ঐদি হল্লগে অদম হাইরবদা। লেমহৈ ঙাওক ঙাম্লাই থুমহৈ ঙমপাক্লো হোবা পোংঙ্কীমথে তনবা নিপা মঙো মপাং ফানা শেঙলক্লনা অপান শুমাং মথোবন্দা পুখোকরে।

মনোম আহনা লৈমানা ইপা ইবুংঙো ইমা ইবেম্মা অনিমক্ক নমোম ঐদি হল্লুরাইরগে হাইনা সনা চৈথু পাইদনা খোংগাপ নাওরৈ থাংজনল কলবদা। খোইয়োন লৌমরাকপা অঙেম্বা লালোই ফমলাইরবনা ইবেম্মা কোরেন শিগান পাওজেলদবা তয়েংশিগানি পাওতাক্লবা মীওইবগী পুংনে। ইপাদি ইমোম পোক্লে নশক য়েংবগুম মে হোগে। মপুসনা থোগল তোবা কংলা বিচার কাবদা ইপাগী হন্ত পাঙ্গল ওইদগে নখুৎ শুবা চৈথু অদো পাম্মু লালীক্তনী ইপা শুজহোগে

থালি চাকলুক — চাক চাকলুক। তরা মথেন লুক্কোই — চাক য়েঙ্গাং। খোইনোমতা মশুং নমানবী লুনা তীনবা। শিংবোম হৈবোন — পোং হৈ পুননবদা খোংজাই, শংনা শিজিনবা সম। পুনরাই — পুরকপা। লেমহৈ শুমং মথোমল — শুমাং মমাইদা। খোংখাপ নাওরৈ থাংজনলকলবদ। চৎপা হৌরকলবদা। শুজহোগে — শিজনহোগে।

হাটনা পাওনিরবদা। ইপাইবুংঙো হাইনা খুমমগা ঙাহাক মরুপুকখাগা রাখম তৌরে। ঐবু পোকপা টাপা নত্তে খোইলিন লিনজুনথগনি মুকাপলিকগা থাগনি। য়োটমায়াই অঙাকতাওজমবনু খুরুমজনগা সনা চৈন্নবু মপাগী শনু মখুংপাক্তা চা জোচেপ্ন কংলে। লৌমায়াকপী খুরমহৌবগা লোইবা চিংজাও ঝাখ। চৈন্নু অতুগী মওন্দা অহিং থাউমে খানলে। নোংমগী কোয়োমন্না বুরোন লৌমায়াকপগী মোংকাসংগোল হাইদা লোইজা নিংঙোন লাকপগী মশম চৈয়োটচদা অমনা চংতুনা কাওরেন শনয়াম হাইখাতুরবদা লৌমী-রাকপগী চৈন্নু অতুনা মোংবা চৈথারুবদা ইবোইসাবা অতু থমনুং শারা তানখে ইয়োই অতুনা শিজবদা লোইজানিংঙোমলাকপদা পাও তাকলে। কাল্লিনা শিবনো পাওহংবদা ইতাও ঐন ঐগী চৈশু অশিনা কল্লা ফুবা নত্তে। চৈশু অশিনা খাবদনা থমনুং শারা তানখে। নশন কাওরেনলাবা অাসে নশনমিসুং থংহোকে।

পাওনিরবদা হাওজারবদা। খোইলিন লিজুনথগদি — মপুক্কি নুংঙাইখিরোই। মুকাপ লিনগাথাথগনি — শাওখিবনি। শমু মখুংপাকতা — মথক্চা। চাংজো চেপনা কংলে — থুক্রমনা পীরে। মোংবা শংগোলয়াই — য়ুমদ শাহা শঙ্গোল। চৈ-থারুবা — ফুরুবা। থমনুং শারাতানখে — শিদোকখে। নশ। — কংগী শন।

কাওরেন মমন কয়া লোংগগে ঐনা হাৎপা নাত্তে হাউরবদা। লোইজা নিংভোমলাকপদা নংনা হাৎপা শনগী ক'ওরেন মমননা কৈদোংনি। অসুম হাইনা নিংথৌ গনাই অনিমক খদাং পনন থোং রাহাই খোললীক অয়াক্পানা য়াথং কারন চননারবদা অচুদী মপুসনা খুয়া খাদা য়োনাসি হাইদনা মপুসনা খুয়াখাদা হঙ্গৎনরে। মনাই অনিগা কোলোই মপাও তারবদা খুয়োন লৌমী-রাকপদা কৎদোই অচানবা হাইনা। মনাই ঐগী চৈ অসিনা অরেপ্পানি শেকপাদা খমনুং শারা তানলে। মরে অদুদি লোইজানিংভোন লাকপা শাওগনো চৈগুগী অরোইবা য়েংগুনী অসুমনা মনা য়াথং তাকপিরে। মনা কোলোই ময়াথংদা হুই অমা কারো হুই অছুবু. শোকপদা শিরবা ওইরবদি ইরোই মমন য়াংবা শিৎবা থোকলবদি শরু অনিগী মমন চৌবা হাইনদুনা মপু মনামা দা হুই অহু। শোকপদা চৈগুগী মগুন্না কনবগা

কাওরেন — মন। খদাংপনন থোং রাহাইখোলীক — লাকচা রাহৈগী। য়াথং কারন চননারবদা — নৎতবা রাহৈ, রাতাং মৎতবা। মপুসনা খুয়াখ'দা হঙ্গৎনরে — নিংথৌগী মফমদা হায়বা। কোলোই মপাও — মরাহৈ। খমনুং শারা তানলে - শিরে। কলোই ময়াথং— নিংথৌগী থৌদা।

তাওবা হুইশোল লাবা অদো থমতুং কুমখে। শারা তানখে, শলগী মমন ককলে। ইতাইরেম খুযোন, লৌমারাকপা ঐদি হাননা কারে। চৈশু অঁস ককথৎ-লগী হাইরবদা চা-না ককপা নিপা তদে মথুং তেকলে অকোনবদা মতাং অমা ককপা অদো মকোন থোকত্রে। অতুগী মথুংদা ককপা নিপা অদো মমিং তাংঙে। নিপা অহুম শোইরে। মতাং মরিমক তোদনা লৈরে। থাম্বী মেহৌরে, মশাদ লাইজা ইরেমপুং লোক্তাক থরা পোয়াই থাইলেমতাক ইরেমপুংদ থাদরুংবো চাই-দনা থাম্বী চাবো চেকপা চপলদনা রাকুলৈ হিদাহাপ-লাতুমা লোক্তাক ইরেমপুংদা থাদরে। মতাং অমনা লুপখি মতাং অমনা লোংপোকলোমদা থোংলাওনা পাইখি। মতাং অনি, অমনা মোইরাংলোমদা চংখি। হাননা লুপাবিবা মতাংদো খোইয়োম লৌমারাকপগী রাইরা ফুংগা লাইরুদা উপোই ওইনা হৌরুরে।

তাওবা — হুই। থমহুং কুমখ্রে — শিথে। ইতাইরেম-ইনাই। থাম্বী মৈহৌরে — মৈ চাকলে। লাইজা ইবেমপুং — ঈশিং অচৌবা। *থরা পোয়াই থাইলেমতাক ইবেমপুংদা — লোকতাককী ঈশিং অচৌবদা। থাম্বী মৈরো চেকপ — মৈ চপমাবা চেকপ।

রা ওইনা পোকখে। নোংপোকলোমদা পাইবা মচাংনা কারাং থেগবুংথক লোকচন মতা ফবদা হৌবা পামেন নানপ উকরক্কী বা ওইনা হৌরুরে। মদা মাহাক মকোক্তা শরো লোনলে মতাং মশান্দা শরো লোনদে নশা থোংদে। মমিং অজুম অজুম থোইবুংগুমনা পালে থাংলেন ময়া মোংনাইদে থাংগী ময়া কুমনেয়ে। মতোনদা মন অজুদ্ধমক মপানলী। মহাক ১৩ পায়ে। মচাং ২ মোইরাং পাংনা লোইখিবা জদো অমনা। থোইনা লাকয়ে থোইব কোই। অমনা তুংদা ইল্লে তুংইন হরোইরা কোই। গোংবাং থা বোংনোৱাইগী খা পাংবা থুনমেদ মরেম মদাইসক্তা থংগা অবাংগা বোন্না মা থ বনা অবাংথংগল তুংথংবনা খা থংমা পামেন রাপন ওইনা হৌনি। মৈতৈ মোইরাং শঙ্কা কানিগুর্মা মক্তমদা খুনমাংবু য়েংলাকম ওইনাসাক্ষ হাইনা চংউ পাংজং কোঙা লাইনা শেমলে। খুদম চাংগা য়েংবদি আবাংবা পামেনর পাম হেনদোইরবগা

লোকচন মত ফবা — অকুৎপা লোক্কী মফমত। পামেন উ। মকোক্তা শরো লোনদে — মকোক মশা য়ামা লোংবা। লোইখিবা — শুনথবা, চেপথবা। মরেম — মফম। রাপন হেন্দোইরবগা — চহিগী ওইনা উনৌ য়ামা লোংবা।

মীতৈনা চাওনা খুংনে মথানা' রাপন হেনদোইরবগা কেপে মোইরাংনা নুঙাইরানে পাঙ্গুক্তনা থংনা বানে থুরোন লৌমীরাকপানা মপু সনামাংদা ক'লা বিচার লোইরদনা রাইরা মবানয়াইদা কুমলকনবদা থাম্মী মৈ-তৌকন রাইনা মশাইয়োন ফুঙগা লাইরুপুংদা পামেন রাপশ হৌরম্মু উরবদা রাব্র য়ে না এংরোন মৈশা লংনা আরা অ্যাম্পী চেরোইমা রাইরা থাংপোকশংবু হোংদোকলে। রাইরা থাংপোকশংবু লৈপাক্কেংনা শিদোকলে। মপুসনা থুয়াথদা থুয়োন লোমীরাকপা না চাজৌ চেপনা লোননা তুরে। ননাই ঐগী ফুংগা মৈহোকপা লাইরু পোংবাথেক্তা পামেন রাপন অমা হোরে। রাইরা থাংপোকশংবু হুন্দোকলে হায়না পাওকংলবদা মপু মোইরাং নিংথৌ সমা য়াথংনা ইবুধৌ থাংজগী কোলোহ ময়াথংবু তানা রায়েনাস হাইরবদা আমাইবী আমাইবা নিংথৌ হেরাং থুদোন

রাপন হেংদোইরবগা — রা'না মপুংফবা। রাইবা মরাময়াইদা কুমলকলবদা — মথুমদা চলকলবদা। রাইরা মশাইকোন - ময়ুন। লাইরু পুং — ফুংকা। থুংরোন মৈশা লাংনা — অরাবা রাংকা। রাইরা থাংপোকশং — লৈনাবা যুম। চাংকৌ চেপনা লোনদাতুনা — থুকমবা। পাওকংপা — রা তাকলবা।

কান্না, লাইগী মপাও তাংরে। মুমিৎ সনা খোমুদন অতোম্বাগী সনা মথুৎমুনি মাংহৈদবা য়ানে। নিংথৌগী য়াম্থু নত্তে। লৈপাক্তা য়াম্থু লৈতে। থুয়োন মমুমথু য়াগী য়াখোং শেংহনলো মুমনাক অমনা শেংকদে। য়াবু মখোং শেংবা তৌরগ। নিংথৌ মবুক শাওবা তেগনি। লৈপাক আবাবা কোক্কনী। থুয়োন মমুমনা শেংগে। থুনজাওগনী লৈচাওগনী। থুয়োন ভেবৌ তে-সাবা হায়না খোনে। চিংও খাংজিং কোবা-লাইনা। থুয়োন মমুমথা শংছে। থুয়োন কৌমৌরাকপাগা শাক্তন খেংদাং লাংহৈবা পোকয়ে। শাক্তন খোংদাং লাংহৈবদা থুয়োন থুনখৌবা পোকয়ে। থুয়োন থুনখৌকনা থুয়োন ঙোবগা মচন কুবাংশুপা মনাও থুয়োম হাওবগা অহুম পোকয়ে। মচন কুবাংশুদী তরা লইরবা মরমনা তরেং শেম্বা লৌ লোইন্নু মরন খানজোহৌদনা থাংগা কম্বোংনাং থাংগারাকপদা থাজাথয়ে। থুয়োন ঙোবাদি

মুমিৎ সনা খোমুদন অতোম্বা — খেংকলিবা মুমিৎকী মমিং অমা। সনা মথুৎমুনি — মানা পাহৱখা শিজনরম্বা। খাংহৈদবা — মাংহনবা য়াদব। থুঞ্জওগনী লৈচাওগনি — মুংঙাই য়াইখগান। তরা লাইরা — চানিংঙাই লৈতবা। তরেং শেম্বা লৌ - লবুক। লোইন্নু মরন খ নশোহৌদবা — মমুং মতম চংদবা।

মচা পোক্কে। হাওবদ কাবাং থাক্লংহনবগী মমোমপোন মমোম শাংলী কোক্লু লাংথাতোম্বী লোজ্জনা মমোম খোইঙু অহনবা হাওবীগী দ থাকোন লোখিবা মোপাগা মচিন মোপা পোকরে। তেনা রাখোং লেংলে। খুমোম মমুমশীহুন। থাংজিং জিনা নাপোম মাপন তাংবা লোইবে চেংবায়োমদা হাওগী থাংপোকশংদা আইদা। চৈমা কৌখিবা তাওজিং মরুপন হৈরাং মচা য়ামবদু লোইবাং থাবুম তরা কুমিং শিংবুম চজ্জমজ্ঞরবগা লোইবাম থাজা কালেনগী কুমিংহুংবা থাংজা কুমিং অচংবদা মপারি অমা শাংলে। য়োইমায়াই মালেম অওাদবা কুমিং সনা খোমুদন মতোম্বনা নিক্তি কোয়ো নোংজা খুদিংগী শিংচেন চৈ থাক্ত রেংবু শিংচেন চৈরাং চৈকাকমন: শাংকাইরে। প্যারি শাংলে থংলে। ইখোম ফুইক্রে থংলে অনিনবা থাগুম চাওরে শাংবা মাওম তমলকরে। শিংচেনগী মমিং খোনলমমে চৈরাং


থাক্লংহনবা - পাং পানবা ফম অমগী মমিং। মখোম শাংলী অমংতা পোকপী। মোপা — মনাওহুপা। নাপোম - হাইথবা থাংপোকশংদা — মুম মথল অম্না। তাওজিং মরুহুন চৈহৌরাং মচা য়ামবদু — মীয়োনবা। থাংজা কুমিং অচংবা — কুমিং থকান ফবা থাংজ। পারি শাংলে - মচাহুপা পোকলে। অনিনবা থাগুম চাওরে শাংবা মতাম ত্রাংলে - চাওবা পারেং ফারে।

লৈরেঙ হাইনা থোরে। অত্তোবা য়েংথোং কারে। য়েন্নাও মরোন ত্তরে। য়োইমাম্বাইনা নোংমাগী কোক্তেং নুমিৎতা হে আইনা লৈশাও ঐগী ইপারিয়োদো কেগে মোইরাং নিংথৌ খুন্দাবগী মচাক্সপী হৈরাইকুবু লৌসি হাইরুবদা আইনা নিংথোম। চৎথনা চয়োম য়ুহাললুবদা নিংথৌ উরা খুন্দাবনা মথোম হেয়াইকুবু ত্তোরবুং তানন্না লোৎখিরে। য়োইমায়াইঙ্গী মচা খুমং সনা খোমুদোন অত্তোম্বগী মপাগী আইনা লৈমাগী মকুৎয়াইদো য়োইমাম্বা নমিৎ থোনললমে। আইনা লৈমাম্না শাওরে ইচাদি ঐনা থৌনগানি হাইদুনা কুমিৎকী সনা চীন বাহৎনবা পুংগোইনী পাওতাক্কবা বারোইনি মপা য়াওবা মচানি য়াওশুরাকপা থোক্নে। মোইরাং নিংথৌ মথোমমদোন কেগেদা মদোম শাৎপা মোইরাংদা মদোম কেৎপা হৈরাইকুনা ত্তোরবুং থুঙ্গেন্নথ্রবদা কেগে মোইরাং নিংথৌনা লাংদেন ইবেম্মাপা অন্না মথেন

অত্তোম য়েংথোং কারে — লাকনা ফাওমলকত্তরে। য়েন্নাও মরোন ত্তরে - মা-পুত্তানা হান্নবা তানবা য়ারে। য়োইমাম্বাই নুমিৎ নোংমাগী কোক্তো নুমিৎতা — নোংমাগী নুমিৎতা। ইপারিয়োদো — ইচানুপা অথোইবদো। চৎতবা চয়োম য়ুহাললুবদা - চৎত্তনা হায়রুবদা। বাহংদবা পুংগোইনি পাওতাক্কবা বারোইমি — মশা থংহনদবা, তানরম্নদবা।

লুককোই চাষীন্নদবু মুমিৎ শিংরম মরিনি শুথরে। ইমোমগী মপাও তাদারিবা লাংলেনগী মশক উাড্রিবা মথে তরা চাকপু চাররোই অসুম হাইবা নিংথো মরাখংনা মিংশানা থম্বান মানবাবু লাইজ্জা তবং হৌনা মীকপ-লাক্লনা নিংথো সনা মরাখং চিংমান তম ইচাগী মার থোংগুন লিবু হাব্রনা। শাংডাংে থোংলোই মার খাথে। ঐগী ইমোম শাংলেন কংলকপা। নিপা অডু মডোম্বা ইমাক ওইগে হাইনা মপুংগোলোই সনা মরাখংনা রাশকলে। অসিদমু মতম্ভ নিংথো ইঙ্কং মু লৌজো। মপু আইনা নিংথৌনা ইমোম ইহৈম্গা ইপানা কেগে মোইরাং উরা খুন্দাবদা ইঙ্গুগীদংক মচানুপী হৈয়াইনু হাইরুববু ইপাবু বাংগুনলমদে। ইপাগু থাংজিং চিংশা নাপোম মাপনমক্তা ছাওনক ওইরবমু লোইাজং পুমনমক্কী পানফরাবা ঐনে অসুম হাইরবদা অ ইনা লেমা মমানা ইকাই শেংঙ্গোই হাংনা লৈথ্রবা

লুককোই চানীনবু — চাক চম্মীনবা। মপাও তদরিবা — বা তাদরিবা। লংলেনগী মশক উাড্রিব — মচানুপী মশক উাড্রিবৈ। মিংশানা থম্বান মানবু লাইজ্জা তবা হৌনা — মিং ইমা চেনবা। ইচাগী মার থোংগুন লিযু — ইচাগী মফম থিযু। ইকাই শেংঙ্গোই হাংনা — ইকাইজবা।



আইনা লৈমাগী মুপারী য়োইমায়াই আঙাংনবগী মচা পনম স্নুমিৎ খোঙ্কুম্বনা তিমেন ঙাক্পা পাইরে নমদা পাইতু য়াল্লে। ঙৈইদা চুংলেন চক্তা ক্রুকলে। মপু আইনা নিংথৌগী থাংজিং লোক্মাই অহেনবা হাওগী থেনবুং থঙ্গোগী শারাওখোনগা লোইন্না পাখং ময়াংথেক্লা চোংলকপবু খোংজাই ঙবা চাংদা তাইরে। মুংথিলদা চুমথাং থল্লে অহিংদা মৈবী পাইরে শারাও খোন্না খোদেন্নী। ললাও খোন্না খোদেম্নাবদা কেগে মোইরাং নিকলে। লোক্তাক ঙাম্মী কাইরে। উচেক্কী শৈয়াম পাইখৎলে। কংগোনগী শানা মাইকৈ নাইদনা চেন্নারে চিংশা নাপোম কিহারে। মোইরাংগী চাংবু খোংজাই ঙম্বাচীং য়াওশুরাকপা খোদেমচীং কৌনা খোনবাদা মহাকথক্লানে খোংফম অমা চোংথৈ তোরবুংদা তাইরে। হৈয়াইনু ফাদনা পুরকরে। মপু মোইরাং নিংথোদা কংলে। ইবুংঙো নংঙোন্দা ইচা পীরবনে

মপারি — মগানুপা। পনম মুমিৎ খোকচুব — মুমিৎ খোকপথুপা। তিমেন — তা। চুংলেন — তাঙ্গী চুংঙোই। লোকমাই অহেনবা — অচৌবা লোক। শারাওখোন - লানদাবগী লাওবা। লোক্তাক ঙাম্মী কাইবা — ঙানা থঙবা

ইকুমা মমাক থংগু-দে নিংথৌ ইফমস্থু লোজো হাইরবগা ঐদি মসি পাম্‌দে য়াদরবদ, অদুদি খেনদেদা পাল্লরো চাইরেন নিংথৌ ওইজখরো অমুম হাইরবদা য়াওমুরাকপা হৈয়াইকু অনিংক খেনদেদা নিংথৌ ওইনা পাল্লি। পুকচাও তাইবোং অমি পোকই। চাইরেন নিংথৌ আমোংবদী খুমিংক্কি সনা ঈনে য়োইমাম্নাইগী থারানে অমি মতুংদা নিংথৌ কম্না হৌখ্রবদা পুরিক লাইগী সনা হাওক্তা মপু সনা কোমোই সনা ময়াথংনা পুরেনবা কারাং খেংগাক্সি হাইত্রনা লোক্তাক পোয়াই থাইনা হৈচবা লাকরে। কারাং চীংমাই হেম্না কারে লোকচম মতাকবদা হৈ থারকপদা অদুগুম হৌখ্রবা বা মানপ উস্পারক্তা হোয়ম্বা অদুবু পুরেনবনা উকুরে। মম্না লোইনা ফুকলে মপু সনা মাংদা কংলে। নিংথৌ কোমোই ময়াথংনা রাগী মতৌ য়েংলগা ইদারেমও পুরেন অহোংবও বা নত্তে লাইনি ঐগী নত্তে লোজো অমুম হাইনা মপু কোমোই থংনা পিরবদা কারাং

ইহু — মকুবোক। খুমিংক্কি সনা ঈনে — খুমিংক্কী চাদা নাওদানি। পুরিক লাই — মোইরাং নিংথৌ। সনা ময়াথং — নিংথৌগী য়াথং। লোক্তাক পোয়াই থাইনা — লোকতাক ময়াই লানহুনা। নানপ — উমথল অমা। মপু সনা মাংদা — নিংথৌগী মমাংদা।

হৈজা তোক্কুমা কেগে মোইরাং তাম্না হোললকয়ে রাকলৈ হিদা কাপ্তনা। ইদাইরেমও পুরেনবা নখুৎস্তু পইজো অসুম হাইরবদা মোইরাংগী আমাইবা আমাইবী কোদনা থাংজিং লাগী সুম্মাংদা য়োং থাইজ মরিনা মাইবীন হৈদুনদনা অংমাইবনা মায়োন লোম্না হৈজগা তোরবুনা কালেনগী থাংজা নুমীৎতা নুংথংথ হৈরে। থাংজা তরেৎতা লোইমনা শাইরে। থাইজ অমদি লম্বুগী খেরে ওই। মপু সনা মমাংদা কৎলবদা পুরেম্বা নং লোজোও অসুম হাইনা থাংজিংগী সনা মখুয়াদা কৎলগা পুরেম্বাগী মখুৎতা মপুসনা খুৎনা শিন্নরে। চুমনগী লম্বু নত্তেয়ে কুমিৎকী সনা চৈনে লম্বুগী পোককম শাংকমদি অশিনে। হেমীও থংগো মোইরাং তেনশারাসু নুমিৎকী সনা চৈস্তুমে থংও ইয়োইরা খোইরা অনিমকস্তু নুমিৎকী সনা চৈস্তুনে মাসি থংবা মানা লুনা থুরুমজোত চেৎনা তৌও।



কে কে কংলৈরোল

৭ হায়া হে হেয়ী লাইঅে। কে কে লৈ ৭ য়ৈ তৈথা। য়াংখোংচামবা লইমায়াই কে কে পুঙ্মিং হকপা মোইলাং লালমিং হকপা পুঙ. কে কে কংলৈলোলপু তে থালককে। হোইরও লাপুলসাপু পল, কে কে লপীরোইনা হৈয়া লিতাংগংপু পলথোপা রোইনানা হি মরু সিতাপাবু রোইতা থুম, য়াই মালু নাতাপাবু য়েংতা পাইনা সেঙীলককে। খোইয়ুম মমরাংপালপল লাইঙো নতাইরেম অঙ্গপু তাথবাগুনো। হিরেংপুপান লাইঙো। খোইয়ুম য়ীংখোই অরাই লাংপীকুনো।

হয়া হে হেঈ লাই - ও। কে গে লৈপাক ৭ তরেৎমদা য়াংথাংচাম্বা লৈময়াই কে গে পুংদি মমিং থোইনা লৈবা। মোইরাং লমদি লাইফিং য়াম্না লৈনা, চাকবু তোৱা পুঙ কে গে কংলৈরোনবু থাকপা লৈতনা হেংনা থাজরকাকে। হোইরৌ লীপুসশীবু পল কে গেনা খঙনহকপা রা. হৈয়া ইপা ইপুশিংগী চৎনবরক রাবু পারি পুরিগী চৎনলম ওইনা হি মরু সিতবরু ওইতা পাই য়াই মরু নাতববু য়েংতা পাইনা মাংবা, তাবা, রাংতানা লৈশিঞ্জরককে। খোইয়ুম মোইরাং পোকপা লাই-ও। মচা ননাই ওইবা ঐবু তাথীবীগনু অপোকপা ইবুধৌ লাই - ও

খোইরমতী থৌজাল চিঙউ নাললকু হোঙনেম লেপুললসিপু য়োনজানা ললকুপীজো। তমপা শ্বরসতী। লাইরেম্মা নওবা তংবম যুমযু নৈলজোলজে ঙেনা। মিংলাংজাংথং লাইজাপাপু য়োনতানা ললকুপীজো। কুরু সনা থুজারেল আখোইপাপু। রূলপী লাইনাওসিংমা সংসঙ চেংলো সঙ্করুননা। খোইরম লাইথোন জাপুম-পাপু। তারমনা মালপী থুতপনা। মুকমু লৈজোল কোনন. । তুনুং লংলাপুমকুমপা। খোইরম লাইমীৎ আরিপাপু। তাঙচা কোকথককখোংনা। সৈথিলককে।

খোইয়ুম নহাকনা অরাং অপা লৈতনা লনকুবীয়ো। নহাককী ন থৌজাল নলালকুনা অরাং-অপা-অনা অয়েক খিবীকপু লৈতনা পুনসি হুংশাংবাবুসু পীনবীরক-ও। তমপা শরসতি। ইমা লাইরেম্মা ইপেম্মা নহাক্কা নমাইপী লৈতেলদা তোংবীহুনা মীৎয়েং মশা শোইগল্লবা ননাইবু অশোই অওয়াম লৈতনবা থৌজাল লল-কুমী-ও। কুরু সনা থবাল নখোঙথা অখোইবাবু থম্মোইদুংদা থাগোলজহুনা চেংলো শকপানথোং অখোইবা নিংশিংজ, খোইয়ুম লাইগী লাইরোল অথুম্নবু নমু তাইবং ওইবানা থুৎপু লোলনজা লোনজা যাহৈনা, নিংশিং খোকতনা লৈরকলবা খোইয়ুম লাইগী য়াথি অরিববু তাঙজা কোকথক্ত খোংকৎ, পাংত্রবনা শৈথিজরককে।

হুঁঙ কার ওঁাংকার অ.ংকার। খোনচেল ওমানা। হুঁঙ ময়েক আরুমপানা। তাইপঙ নাম্বুক পুওনামাকি থারাই চিকখোইমারকয়ে। ওঁা মংয়েক আৱাংপানা। মাথু থাকনাং পোকমাংকয়ে। উংকার হির নোংপোক মিংলেল নিতাপা ২ মানা সনা তমপা খিলনালকয়ে। সরসতি লাইরেম্মামা য়াংলৌ লমতাং-সাংপু ওয়মা পাংকন হৈসো ওইমারিয়ে। হুঁঙকার ওঁাংকার অনেম অৱাং মায়েক খোমচেল এনা আসিপু। খোইয়ুম লাইকি। মিংলেল সিতা মাহাকনে। মাসক খোইচেল ওমানা। মুমিং থাপী চীমকু মকুম

হুঁঙ কার ওঁংকার উংকার খোঞ্জেন ওমামা হুঁঙ ময়েক অরুপনা তাইপঙ ওইবা পুরুমককী থরাই মীয়েলবু ওইনরকয়ে। ওঁং ময়েক অৱাংবনা নমু মীওইবগী হকশাং পোকনালকয়ে। উংকার মাংত্রবা তরুবা নোংপোক মিংলেল সিত্তবা অথোইবা মাংবা তাবা লৈত্রবা ২মানা সমাগী মথক্তা তমকানা লৈতেংবগুম মা থোই থেন্না চুনহনলি। শ্বরসতি ইমা লাইরেম্মানা থোঞ্জল মীৎযেং চংবীহনা নখোঞ্জানলনা চৎপা হৈত্রিবা লম্বী লমদাং অসিবু খোংদোক্‌না চৎলবা ওমজরিয়ে। হুঁঙকা ওঁংকার অমেম অৱাং ময়েক খোঞ্জেন ২থা সিবু খোইয়ুম লাইগী মিংলেন সিবা নাইদবা মহাক্নে। ময়েক, মশক, খোঞ্জেন, ওমন অসিনা মুমিংকী অকোইবদা মচু গনা মরোল মাইনা লৈতেংনা যুমকুম থাননা লৈতেংলমবগুম

লমহোপা য়াইলেল য়াই উঁসিতাপা সিফাকিকপাতাকি গুরু মথৌচালনা। মানলং আয়াঙপাকা জমপা লাইচা য়ীরিক লইমাকা। চকমোম থামপী মৈতারেঙ আরাপাক ৩মাপু ফইপাক তামুল লংকুনপানা তাইপাঙ মাঙাল ত্রং য়াই মালু সিতাপানা য়াইতা লাংমা। লিকলা পীসিলতোলকুমনা। সিঙলেল লৈয়োম ন্নুংতা। য়াংকোই ঙামপাতাকি; মানলং চৈরোইনন। থমকোল নোংলৈ। মারা লিঙীলননা। পংলেম মাগ্রা পীপুক ন্নুংতা চঙকে হাইপাকি। লাইচা কোংপোল চইরোইনা। গুরু সনা মাখোঙখাত। য়াংকোইঙইতী

য়াইলেল ওইবা য়াই মঙ শিদবা মাংবা তাবা লৈত্রবা গুরু মহাককী মখোজালমা মালং থুংশিংতী অমাংবা, জমফা লাইজা ঈদি ইরিক লৈমাগা। চকমোম থামপী মৈদি মৈত্রেং অরাবাগা ওমকপু লংজা পাংকক ওইনা কৈবাকতা অমংতা ওইনা তাশিনথিবগুমা তাইবং পালদা মঙাল ত্রং য়াইমরুশিদবা ওইনা তাইবংপালগী অরেপ ওইনা লেংলি পাললিবা তাইবং পালগীদমক ফাওবিররে লিক্লানা লাককাদা পকপগুমা শিঙল লৈদি লৈমাগী লৈয়োন ন্নুংদা লৈহি ইরিক লৈরিক লৈরাং লকাদা রাইথুংনবা মালং ন্নুশিং চৈরোইনা থমগোল নোংলৈ মরা নিঙীলননা পংলেম মমা পীবুকন্নুংদা চঙগে হাইবগী লাইজা কোংপোলগা লোইননা গুরু

লইপাক নোংথৌ ২ মাপু। লাপা অমোম কৌয়ে।। মালেম লইপাক আমমবা। লইরোলমুঙ ৭ নে। কোরৌ নোংলোল আঙালপা মারোলতুঙ ৭ নে। লইরোল নোংলোল ২মাপু। কুমার ফুসাপা চাগুম চকক্র ফালখোঙ রোইনা পুঙ্গং মিতমছুল। অংক্য মাহই য়ালমা। পালরেম পাইমা পীপুক ঙুংপু। চঙলকরাপাপু। মালেম অমমপা মারোল ৭মামা। চক্রা ফালখোঙ রোই। করৌ নোংলোল অঙালপা মরোল ৭মানা তায়াল কোরোন রোইনা। সালসৈম-লকয়ে মিরেল সঙ্কমে ম। কাইমোমঙুংকি। মাহাদেব চিঙুঙ। নোংপোক আচিপাগী। থোইরম লাইরোনসে থ

সনা মখোঙ থাদা লাকলমঙৈদি লৈপাক নেংথে ২মকপু লাবা অমোম কৌয়ে। মালেম লৈপাক অমমবা লৈরোলবু ৭নে। কোরৌ নোংলোল অঙালবা মরোলম্ভু ৭নে লৈরোল, নোংলোম ২মকপু। কুমার ফুদি চাফু শাবা মচাগুম চক্রা ফালখোঙ ওইনা পুকন্নুং মিতম ছুল থোইজি মীতমলকমা ম'হ য়ালনা পলেম পাইমা পীবুকনুংদা চঙনা মাওপুরববু মলেম অমমবা মরোল ৭মামা চক্রা ফালখোঙ ওই। কোরৌ নোংলোল অঙালবা মরোল ২মকনা তয়'ল কোরোল মরোল ওইনা লেম শারকনাঙৈদা মিথরেল শক মাম কাইমে'মনুংগী মহাদেব চিঙঙু নোংপোক আচিবগী

হেকলিনাতাইবা তাপা লিগ্নোঙ নইতা চুমতারাপা-সঙ পোলপী থাবাই পীকথানা খোইমানাম্না হেকনা পাইবা তুকুমপাপু। খোইযুম লাইরোলথীনা। তেংথায়কে হায়্রা হে হে পীথলাই-ও। নৈপাক নোংথৌ ২মাপু। লাপা অমোম কৌরে। লাপা অমোম ২মাপু। অমম অঙাল কোরে। মালেম অমমপা মরোল ৭নে কয়ৌ নোংরোলঅঙালপা। মরোল ৭মাবে। লইরোল নোংরোল ২মাপু তায়ম তাঙগা কোকথক-থোংনা থাহমচরকনে। চুমলেল লইপাইবাক। লইকং লাংপা কাঙকু তোংলেলবাক। থানিংরেংপা হোঙনা-বাক। য়াইথেঙ সিঙ্গুপা সিঙথাবাক। নোংঙ্গা লাইরেল

খোইযুম লাইরোল নৈনে হেকলি নাতাইতা তাক লিওঙ নৈতা চুমঙনবা শঙ পোলথী থরাই পীকপনা খোইমা নগ্না হেকনা পাইব। অহকুমথবু খোইযুম লাইরোল থীরহনা অথাকপা অমংতা লৈতমা তেংনা থারকে। হায়া হে, হে লীকলাই-ও তইপং পালবু শেষীব্রিথা শীবা লাইবা মপু-ও নৈপাক নোংথৌ ২মকপু লাবা অমোম কৌয়ে। লাবা অমোম ২মকপু অমম অঙাল কৌয়ে। মলেম অমমবা মরোল ৭নে, কোয়ৌ নোংকোল অঙালবা মরোল ৭মদেনে। নৈরোল নোংলোম ২মকপু নমু অাইবঙ মীওইবনা তাঙবা কোকথক্কা থোংকংতুনা অথওবা মায়ম পুরমকপু হাবজবকে। চুমলেল নৈপাই-বাক। নৈকংলাংবা-কাঙকু তোংলেল-বাক।

পাখংপা। লেলা খাইরোই লেমমাবাক। মাকুপী মাকুমাবাক। চোংপা চোংপাইবাক। কাইপা কাইমৌবাক। মামা পাখোইরেংচামপা আপীসাবাক। লইমুং খাকক আলেপা মোহকাই খাপু ভঙফিবাক। কওরও নোংলোল লৈহলবাকনে। য়ামা খোনচেল ১৪ মাপু। লইরোল নোংলোলখো কোরে। "চিভঙ, নোংপোক অচিপাকি খোয়ুম মাসালবোননে। মাম্‌ মীপু বোইমা পোকরালাপাকি। লইরোন খুংসু চেং। নোংলোল খুংপাই কনমা। ক্যোরৌ লোংলীক লাইপু নীতখিপা। সুবাং নোংক্রমসাকি চুমাপা-খো। নোংপাল খোইনা চাও সুবাং খোইমা

ধ। নিংমেংখা রোতমা-রাক। য়াইখোতসিংচুবা সিতথা-রাক। নোংতা লাইরেল পাখংখা লেরা খাইমোই লেমনা রাক। নাকুপী নাকুনা-রাক। চোংপা চোংপাই-রাক। কাইপা কাইমৌ-রাক। নরা পখোইরেংচাকপা অপীসা-রাক। লৈমুং খাকক অলৈখা মোহকাই খাবু ভঙফি-রাক। কোরৌ নোংলোল লৈইল রাকনে। রারা খোঞ্জেন ১৪মকপু লৈরোল নোংলোল-ও। হারমা কৌয়ে। চিভঙ, নোংপোক অচিবগী খোইমুন মাপী মপাওমনে অয়ক্তা ওইরানে। নমু মীপু ওইনা-পোকলরাবগী লৈরোন থুংত চেংনা থম। নোংলোল থুংপাই কনগা ও। কোরৌ নোংলিক লাইপু নিতখিবা সুবাং নোংহমপাগী চুনবা পকমবা-ও। নোংপালখোইম

রোঙয়ে। হাইপাকি রোঙনেম লুরাং মিংথৌ পুলসিপা-থো। তৌনা হৌরে। নোংপাল লাইমিঙ-সাচেল চংপাত্তী হিমালু সিত্তাংপাপু ঙেংত্তা পাইকা রেনচারে। মাইমারু সাক্তাপাপু রোইক্তা থুমকাপা। রেনত্তংরে। চাম্রাই মালু থেংপু। সাম্বু হাকত্তা থেংকা কোইচারে। ত'ঙচৌঙ রেনরম, ত্তাঙচৌ রেনরম আরুপাপু আহিং চিকলাপুকি ত্তাহমত্তা নোংখিল অঙ্তালপা হাংহলত্তাপা। ১০ মাচেঙজেলপু পেকথোকত্তাপা। নোংপাল সঙলৌ থৌম্রাং চাঙপা। রেকম্রাং ঙংত্তম হৈপাত্তী। ত্তাঙচাউ হইসকখঙ সিঙচেল হৈনমহা। পুকনিং থুকম হোংত্তা লাইনিং সাচেল চেং। নিঙচা

চাওনা হোঙয়ে হাইবদি রোঙনেম লুরাং মিংথৌ পুলসিবা-ও তৌনা মীংকৌনৈয়ে। নোংবাল লাইমিং শাশেন তাচেংপদি হি মরু সিদবু য়েংতা পাইরদুনা য়েমবু য়েংচৈয়ে। মাই মরু সদাববু ওইদনা পংরদনা য়েনবু য়েনতংঙ্গে চৈরে মরু থেংপবু শামু হাকচাংদা থেংনা কোইচায়ে। তাওজিং য়েমদি য়েনগী মরম তাওজিং য়েনমরম অয়ামববু। অহিং নিকলাবুদি তাকহনদা নোংখিল অতালবা হাংহলদা ১০ মচেঙজেলবু পেকথোকতনা য়োকনা থমনা। নোংপাল শঙলৌ থৌরাঙ চাওবা য়েনথাং ঙনতম হৈনা য়োকনা তাক্লা থমবা হৈবাদী তাওচৌ হৈনক থঙনা শিঙজেল হৈনম চুনাহানা পুকনিং থুকম হোংনা লাইনিং

খারাবনদি। নোংপোক মোংপো কীমজাওরেলগু। লঙকাই কাপুন ৯ সুরে। থাঙ্গোবাকি কাপুমমখী লঙকাই কাপুম কৈমা। খোইনা লাইকমকাঙতা। শিঙলেন লাসক নিলঙা। সংলঙ য়েনয়ুম বাংঙা। য়াংকম লাংয়াও য়ইনা মৈথিরকুকে। নোংপোক চাপোক-কা ভংরেং। নাঁঙতা খোংকাংশীনমা। চারোন হাখাব। হুরোন কোংতাল কুই। আবাং মাপু সুতুং লৈপু লৈচিলপাকি। নোংপোক থাঙতা কারেন মাঙী। চীঙনা কোইনা পনসাপা খোংনা কোইনা হেনমোইপা। তমপা লাইচা মীয়োককোম। কোরো নোংলীক

শাক্তেন চেং মিঙক অমাসুনবী নোংপোক মোংবা য়ুমবী য়ুমজাওরেল' অথোইবনু লঙ্কাই কাপুম ১ সুরে। থাঙ্গো য়ুমকী কাপুম 'অমদি লঙ্কাই কাপুব পুমমকপু খোইনা লাইকম কাওদা শিংঙেল লৈবী লৈশক লাশক শিলঙা শংলৌ য়েনগী য়েমলম হাংঙানা লোংদানা থমনা লৈনবা চংনুমব হায়মধু মথংশিংনা শৈথিরকখে। নোংপোক চাপোক্কা ভয়রেং চানা নাংঙনা খোংকাংশিননা চারোল মথং মথং হাখনা লৈরমখুবী বা। হুরোন কোংতাল কুইনা অবাং শারে সুতুং লৈনু লৈচিলবা পানলবখী নোংপোক থাঙ্গা হুনুবী কারেন, অথোইবা অমাদি চীঙনা কোইনা পনশাবা খোংনা কোইবা, লৈতেংনা হেনমোইবা তম্কা লাইবা মীয়োককোম কোরো অমাংবখী নোংলীক লাইবমা

লাইনা রাইথু কা। লনখোম লাইচা য়ীবোলননা। য়ীলিক লাইতারং য়ীনৌকা। য়ীলিক লাইজা য়ীহুলকয়ে। থারাই য়াইনিংথৌ। তোংহরং শিতাপাকা। মহাদেব লাইচা য়ীপুবাকা হনানা য়াতা কানে। মুকতাপোনয়ী সওরোনখোক। খোইয়ুম লাইকোলম্বুংদে হাইতাপালা।

নোংপাল মোংপা য়ীমমাঙকোতী। থমপাল লৈছু ৩ সাৎরে। থমপাল লৈছু ওমাতী। মামলং নোংশিং চঙনা কানে। হাইপাকি কীমু লইকুমলি। পাখঙ লৈরোননা তেংহনৌ পনলোলমমা। কোলথা কানে। লইফুং কাইপীতেয়াকোললাং শালিনাপী থা।

রাইথুংনফম এইনা অখোইবা লাইজা ঈশিং লৈমবা ঈয়িক লাইজা তরং ঈশিংনা ইনৌকা ঈয়িক লাইজা ঈহুলকয়ে। থারাই য়াই-মিংথৌ তোংয়েং শিদাবগা। মহাদেব লাইজা ঈপুবগা হনানা য়াতা কানে। মুকতাপোনলী শগুদি অখোইবা মওং ওমথৈ লৈতবা শগুনি। খোইয়ুম লাইগী লাইকোলম্বুংদে লাইদবনা।

নোংপাল মোংবা য়ুমগী মমাং থংবা কা অমদি থম্বাল লৈছু মথম ওনা লৈশাং তমলে থম্বাল লৈছু ওমকদি মামলং নোংশিং চঙনা কানে হাইবদি কীমু লৈরুমশি পাখং লৈওনমা তেংবৌ য়োংনা পনলোন কোইনা থানা থমবা মফমনে। লৈফুং থাইবী তেরা কোললাংনশিনবীকা নোংতা লাইরেল

নোংজা লাইরেল পাকংবাকা চীঙঙ, নোংপোক অচিপাকা। খোইয়ুম ওমান্না য়াত্তা কানে নোংপাল থাঙজা কারেলমচা। ঈরোক ঈলাংখোল। চিঙজুং তামনা নাহুইখোল। য়াবা খোলচেল বাইথুংবা। চিঙ-লেল মাপোম ৭ ললনা। কোলথাপা পুঙ। চীঙঙ, থংচৌঙ লাইমাথু। খোইয়ুম ককখোল তারিবা খোঙলেল য়াংলৌ লৈপাকমাপা। কে ২ খুকা ঈমাক। বাইথু খুলরোঙ ঈপু তালনা থলপা। থংচৌঙ লাই মাথুনা য়াত্তা কানে। নোংপাল থাঙজা কাপুম মাত্তী। মালাক ২নি কাং। মখোঙ ২নি যুপা মেলথাং তলপা। সংকারামপু চৈঙনা কাংনা। মানলং কেনচি খোই।

পাথংবগা চীংঙ, মোংপোক অচিবগা খোইয়ুম ওমকনা য়াত্তানা তুমনবা কানে। নোংপাল থাঙজা কারেল অখোইবা অমদি লাইজা ঈদি ঈরোক ঈরাংখোলমা ইথাই ঈনিল তংজবা চিংজুং তামনা সুংশিবনা খোনথাং চৈনা মাহৈ খোল মাখীবা য়াবা খোলচেলবা বাইথুংবা কা চিঙলেল চিঙদি মাপোম ৭ ললনা কোলথানবা পুঙ, চীঙঙ, থাংচৌঙ লাইদি অখোইবা লাই মরু অহেনবা খোইয়ুম ককখোল অরিবা খোঙলেল য়াংলৌ লৈপাক মপা কে কে খুনথা ঈমাক বাইথু খুলরোঙ ঈবুদি তালনা থলবা থাংচিং লাই মরু, খোইয়ুম লাইমা য়াত্তানা চৈনা কানে। নোংপাল থাঙজা কাপুম অমদি মরাক ২নি কাংনা

থমকোল নোংলই মোই। কে ২ থাংচৌও লাইমাক। মোইলাং কাশালেল। খুমোল চৈলও লইপাকমাপা। থৌচাল লনকু মহুই বেইনাপাপু। কে ২ পুমচা মারকক্তাকি। পাওকলজামহৈ নীপা থোকপা মাকোক পাওমীঙ্গশিংপা নওথোইজৌ। বুলপী পুকনীও জপনা নাজাপীথো কে ২ লই ৭ য়াংচৈজখা। থোইয়াঙংপা থুলকমলেল। মোইয়াং য়াংখোংচামপা। লৈমায়াই। জালপা থাইকাপানা থাইরকপুও। খোংজাই জেমকা-পানা। বাহেজমকাপা পুওনে। মাকমপী বাংক্ক নোংজম চাক্কনা। কিপুল লুজা থোংনা থংলেল জালপা নীর.ট

মংথাক্ত হনি পুবী নেপনাং তপবা হাযেংনা থোজবাইমা কারকনকম ওইনা চওমা থোকনবা। মানলাং নোংশিং কেলচি ওইনা থমকোল নোংশিং নোংলৈ ওই কে কে থাংজিং লাইমক মোইমাং পুথাগী অপোকপা লাই কাশালেল খুমোল চেলোনা লৈপাক শেমবু থৌজাল লনকুনা মহৈ শুইনাবু কে কে পুমকৌ মরকজগী পাওকল অথোইবা ওইনা মহৈ নিপা থেকপা থোকৈনা মথোনা মরোশং লৈবশিং মথোয় পুম.কভি উজবী পুক্কিও চনিং লৈজান জপনা নাজাপী-ও কে কে লৈ ৭ য়াংতেথা থোইয়াওবা থুলকমলেন বোইবাং য়াংখোংচামবা লৈমায়াই জালবা থাইকাবনা থাইরকপা পুও থোংজাই তেমকাবনা বাজেন কাবা পুওনে। মশাগী মকমপী বাংক্ক নোংজম চক্কনা চৈব .কিদি কিপুন লুজা খোংনা মথংলেল জালবা শিরাইকংচা-ও,, -পুওলেল অথোইবা নোংচুয়াই

কুংচাখো । পুথংলেল পোংচুন্নাইতী । কাথাঙিখো হায়না পুথবিপাতো পুথখঙপা পুথদে । খোইয়ুম সনখোঙ য়াইতাপুথ । ওমাদা মোমঙ্গুদা থাঙচিল লংকুম চুংচৌলদা । পাকদপী পুথ । চিংমান্নাপা য়াথোল খোংদা । তাঙখঙপা পুথদে । পাসেল হুইখী বুথোম-পোক । খোইমা য়াংপাম থোমপোকবাই । পোলপী থঙকোই থোমবিল চেক । চেকলা লিকসি থান্নাংপীদা খোংথৈ-যাই । কে ২ পোকপী সুদা হীরাম খোং । মোইরাং থালপীসুদা য়ীতম খোং । চেকলা পোলপী থাঙক্রি থাম্বুপাবা । থুংকুং লইচেঙ কামদা হোংনা লাইচা য়ীবিপাতী । য়ীখঙখোং । খোংলেল লাইজা

অসিবু কদাইনো হায়না পুথসিবু খীবদি পুথবু খঙহিবা পুথ মকমনে । খোইয়ুম শনখোঙ য়াইতা পুথ ওমকপু মোমঙ্গ ম্বতা ওইবীশিংনা থাঙতিল লাবু লংলম লংজা চান অমত্তা ওইনা লুংচিলনা লংশিংবু তাশিনবগুমনা অপুমবা ওইনা পালবা পুথনে । চিংথন্নাবা য়াথোল মোংনা তাঙখন্নবা পনকবা পুথনে । পাসেল হৈয়ী হৈদি উথোম হৌবা খোইমা লাংপল থোম্নপোক-রাই পোমবী চেক্রাদি সুমদা য়োকনা থঙকোই থোম্বিল ওইনবা চেক্রা চেকলা লিকসি থারাংবীনা খোংথৈবদা চাকথানবা মকমদি কে কে পোকপীশিংনা লাঁইজা ঈশিং শোকনবা খোংদে । মোইরাং মচা পুমনমকনসু ঈশিংসিবু শোকনা

য়ীলম ৭ মানা । খোংরেল য়ীফাওয়মনে ; থমপাল লৈরম ওমানা । মালয়েক লাংচাটে আহিপা । থাপী সেলকোইরেও অপানপাপু । খোইমা মায়মোকননা নোংমাবা পুওরে । কে ২ মারোং কাইমু পুওলেল য়াই । ওাংচোই হ'ওতংখোংপু নাইওলা নোংমাপা পুওনে । কে ২ কংলই মাতাইমাতী । মাপলরোল লোকলো হামরেল লোকপম চাতুনা পুওরিংবাই ।

চামফমনি চেক্লা চাদি পোলবী খীওক্রি কোথী চেক্লা অপিকপা অমুবামহু মথোং খুংফাংনা লৈচেং হোৎনা লাইজা ঈশিং খীতৈজনা ঈশিং কংখিতৈওগী খোংদে । খোংসিদি অখোইবা * খোং ওইখিবা লাইজা ঈরম ৭ মফমা মফমসিদা তিঙলবিবা খোংলেল ঈতিননা ফাওরিবা খোংলেল অমোইবনি । খোংলেলসিদা থমপাল লৈরম ওমকনা মালেম লাংচৈখ অবিবা মালেমলৈবু ওাল্লিবা থবী সেলকোইরেও অপামবা, মিংকোমনা ছুমিংনা তকুপ তরং খোকলকপদা লৈমখচুরবা লৈরাং থল্লালশিংগা মায়োকনা মহৌশানা লৈতেংমা শেমখ্রবা পুওনে । কে কে মরোং কাইমু পুওলেল অখোইবনি । ওাংচোই হাওতং খোংগী মথংদা নিংখিনা শেমশাখিবা পুওনে । কেগে কংলৈগী মফম অবদি মপলরোল লোকলো হামরেল লোকপম চহুনা পুও শেমনা চিংখংখিবা মফমনে । মোমহু য়ুমনী হুপী ওইখিদী খংমপা

মোমন্নু তামলোই মারুমপী। থামপা খ্রীমলেলপম চাকুন্না। ককল্লোং মাকুতা য়েপ। কিপুন অুথোংন্না থংদুন ওংলপা সিরাঙ্গী কংচাখো। পুতলেন লোংচু- মাইদী মাকোইনো চাইনা পুঙথিপাতী। পুতথকু বাই। লেল হুমপা কোকচাও। তুলজুনাইখুম। চাংঙে ই পাথোখু। পুথোইন। থুয়োম লীকুতকপী। লীকতকপা। ডালবা নমতাপী। নমতাতপা। চাংলও থিকনাংথু থোকনাংহল। হিথাকামলথু। নাওলিথু নাওলিহল। থামপী পুয়েলনা তাকপা পুত। মোইলাং পালেনা কোইপায় নমুনে। লিংখো থোইরিকাপা নাওবা খোইতাং

খ্রীমলেলপম চহুনা ককলোং মাকতা য়েপনা কিপুন কোকতা থোংনা মশাথী মপুমোইবা ওইবা তালবা সিরাঙ্গকংচাবু কৌজনা পুতলেন লোংচুমাই কৌবা মকমদি কুনাইনো হায়নচুনা পুতবু লিথিখনা পুতলিবু থতৈনে। কেপেথী কনমাইবা হলবা কোকচাও হলমু লাইথন তাংতোইবী পাখোখু পুথোইন। থুয়োমদী লীক- তকপী লীকতকপা। চালথাদী নমতাপী নমতাপা। তাংলেইবী থিকনাংথু থিকন্যাংহল হিথা কামলো নাওরিথু নাওলীহল থামপী পুয়েলনচিংবা কমনাইবশিনো লেকশিনা তাকপা পুতনে। মোইরাংশিংনো কোইনা লৈনা [illegible] মকমনে। লাই- নিংথৌ থোইমুম থোরিকাবা নাওবা খোইতাং শিংপনা মহানবা

সিংপানা। পুলতা হাই। নিংথৌ থোংলেল হায়িবু খোইচা অরিবা। কুংকা থীকপী মাকুম হোংবা খীমপী চাওরা মাপাম ফুকনা। চাইপী থুলতা পুডনে। কে১ হাওতোলপাম্বা য়াওরও শাম্বাগুং মেলনাং ঙলপা তুরেংকাই অতোপাগু। হামেঙ মমতা পোন্না লমরোক পুও। মোইরাং কাইয়াপানা। হামলা চুমই খোনসাং তুমা থুলতা পুডনে।

থা চৌঙ লিংমই য়ীলনা। নোংথই কইলাক শানা। লৈসং লৈঙৌ ওককে ইনবা। সনা শাকিপেম থাল। চুমই মাইহৈলেংহং। মোইপা য়ীলকুমথাল। চকখাঙ য়াওয়োংফাম। মইপুন হাইজাও থাকনা। পানবা

খুনদাখিবা মকমনে। নিংথৌ থোংলেল হয়িং খোইচা অরিবা কৌবনা মহাকী ফুদা ময়ুম হোংওকনা হামনা লৈরবা ময়ুমবু থাদোকদম অনৌবা ময়ুম মকৈ লিঙনা খুলদাখিবা পুংঅ। কেগে হাওতোলবনা য়াওমৌ শাদি হাংকৈদবা মেলনাং ঙলবা হামেঙ মকুদি অতোবা মচু ওইবা হাকেঙবু মমমগলদা পোম্না মক্কদলিবু থডাখিবা পুডনি। মোইরাং কাইয়াপানা লৈরেক নোঙ্গাও অতোবা থুংতা থুংতু ওইনহুবা থুলদানা লৈরবা পুডনে।

থ চৌঙ চীংগী চাওবৈ ইলনা নোংথৈ কৈলাক শানা লৈসং লৈঙৌ লেবাংবু ওকতা শিনা, সনাসেকপিল থালনা চুমথাই থোগল তৌনা হুথাং লেংবক শৌহনদা চাকথাঙ কৌবা থাংলেলবু মথুংস্থ

কৈনিংথৌপু। লাংকোই খোঙরোইমনা। খুলহাপা পুঙলেনয়াইনে।

কে ৩ ম,মংলোই ৯মাপু। মোইরাং লাইথোঙ শিঙপাজী। থীপীখিরেলকা। থীলেন চাঙরেনকা লইকাচেংকা। নোংকাচেংকা। চুঙকং পাককা। ঙুঙচোংপাকা। থাকুরোনকা খোইয়ুম লাইদিলাইকপ ৯ মাপু। মোইরাং লাইথোঙ শীনলাংবা কে ২ মাচেং মানা। কুমিং খোককুমকাই। মোইরাং মাচেংমানা কুরেকহা। লইথোং তাইরে। কে ২ মাচেংমানা। হীপুঙ লমপুঙ লাংরে। পুরোন মাচেংমানা হীপুঙ য়াইপুঙ লাংরে। মোইরাং মাচেংমানা। লৌক্রি হংকেল লাংরে। কে ২ মচেংমানা লঙকুমলঙকা।

ওইনা পাইনা মক্তিক মথৌ নৈমা পামবা কৈদি অচৌবা কৈনিংথৌ লাংগোই খোংওইমনা খুলনারমগা অথোইবা পুঙনে।

কে গে উমংলোই ৯মকপু। মোইরাং লাইথোঙশিংবদি থীথী খিরেলগা থীলেন চাওলেনগা, নৈকাচেংগা, নোংকাচেংগা, ঙুঙ-চোংবগা থাকুরোনগা খোইয়ুম লাইদি লাইকপ ৯মকপু মোইরাং লাইথোং শিনমাইদা কে গে মচেং অমমা কুমিং থোককম তাইরে। মোইরাং মচেং অমমা তুমাকংনা নৈথোং তাইরে। কেগে মাচেং অমাবা হীপুঙ য়াইপুঙ লাংলে। মোইরাং মচেং অমনা লৌক্রি হংকেল লাংলে। কেগে মচেং অমনা লৌকুম লৌকা লাংলে। কে গা মচেং অমনা উত্তোম উফাং

লাংবে। মোইরাং শহেৎমাশা হুতোম হুকাং লাংবে। কেং পুমনা হুপদা। কোংলও লমহাইরে। লাপল লমতাকরে। মোইরাং পুমলাহুপলগ। খাওজাকমওমরে মায়াই পুমথোংপাল। লংমাই লমপুবা আয়াও কালচম মনাও কোওয়াও লীকলিস। মাখুৎ মোইখুৎতাকাপা মামাই মোইমাই হীপাপু। লৈমু লেংতাকতাতী। লৈরাও লেং বোকলও ছরেল লালনিকিতী। লোকতাক পলয়া হুকোইপা। অখুতালমহু। হাওচেং লমপুক চইথংকি পাখং মাসাপাংমামা লাংপল ভীনপী মালুহুকপ। বাহি কোকতাইসম। খোইরা চীমতাই মেলমা। পামু খুংমিংথৌ তোমপোকপীচাপা। মারি খাপীচাপা। ওামুতোকুকওথেমপাপু কামা মওরে। কেগে কংলা

লাংবে। কেগে পুমলবকনা হৌনা হুপনা কোংলৌ লমহাইরে পাপল লমবু লমতাইরে। মোইরাং পুমলা হুপনা হৌনা থাজা কমওবে। মরাই তুমথোংপাল লংমাই লমপুবা অয়াও কালচম মরাও কোওয়ও লীকশিও। মখুৎ মোইখুৎতানবা মমাই মোইমাইয়ীবপু লৈবাক তৌমহুমা মাপী কানহুমচৈগী শওবে। হুয়েল লালদদি লোকতাক পাল কোইবা অখুতালমহু হাওচেং-লমপুবা চৈথংকি পাখং ওইবালা মখুৎ থুংশা মামলা লাংপল ভীনপী মকহুপ বাহি কোকতাইশম খোইমা চীমতাইমেলমা পামু খুংমিংথৌ তোমপোকপীচা মরি অপীচাদা তামুতোক-তোকথেমনা তামু কাবা শওরে। কে গে কংলা কয়খোল মাইবা

কালথোল ভইনা। পালবা পুঙনে। মোইলাং পুঙং লইকাই পাললংমাকী। ভাংলৌ ভাংথা। থুরোল সেকলঙ ভুমলঙ। ওকচীন লাকথোং। হিমাকালক্ত মাঙ্গুং খুলথোল থুরা লাইরেং। থোইনাই কোমপু মোইরাং লইকাই ৭মাপু। থাঙজা লইকাই মাইরেল নাহুমা। মোইলাং খ্রিমলাক ৭৬১ সুনা পালবা পুঙনে। কে ১ নিংথৌরোই সেনরুই ভাইপা। লুপা চীলপা। খুলথা ৭৫০ মোইলাং পাইলই ভাইপা সনা চিলপা খুলথক ৭৫০। লংমাই লাংচাও চিলপা সুঙ ৭৫০। পোংজু লৈথাম থেংপা ৭৫০। থুরাপামতু চিলপাসুঙ ৭৫০। মায়েঙ

লৈতেংমনা থারেল থোলানা পামুবা পুঙমে। মোইরাং লৈপাক থাংজা লৈকাঈ থাইথদি ভাংলৌ ভাংথা, থুরোল সেকলৌ-ভুমলৌ ওকচীন লাকথোং, হিমাকালনৌ, মাঙ্গুং, খুলথোল উরা লাইচঙ থোইনাইগী খুনচিংথা মোইরাং লৈকাই ৭ থোকনা লৈ। থাঙজা লৈকাইশিংদুনা মতিক ময়াই লৈমা অর্থাৎ অপা লৈবং, মতিক মথোনা লৈনা খুমনাক ৭৬১ পুমনা সুনা থুম্লাইদুনা পালবা পুঙনে। কে গে নিংথৌশিংদি মথাই অহানবা সেনরৈ ভাইবা লুপা চীলবা খুলথা ৭৫০। মোইরাং পাইলৈ ভাইবা সনা চিলবা খুলথক ৭৫০। লাংমৈ মতু লাংচাও চিলবাসুঙ ৭৫০। পোংজু লৈথাক থেংপা ৭৫০। উরা পামতু থেংনা চিলবাসুঙ

অ কচাওশিপা ৭৫০। খুমোম য়াইসিরোমগা। খুংডাং মাইচাও খুমাংমুং ৭৫০। য়েলতু খোকলোই থেংপামুঙ ৭৫০। কে ২ নিংথৌ লাইসাং। কমথৌ মাঙ য়োইপু ১৭০১ মুনা পালংগা পুঙনে। কে ২ চিংথো চিংবা উমতা। মোইরাং চাবথো। চারনা উমতানা পানয়ে। মুথোনতানা তানাপালয়ে। নাংবা খঙনা তানা। হেংথকে।

খুমোম কংচৈ মাকাইমাতা। চাপুরী পুঙকোপাতা অ তোনোংখাংমো কহাল নোং হাউইতা। খোই-মন লাংখিংথো। খোয়রা লিসেমলকপানা। খিংথো অংসি খোইরুকুম। খোইলা লিকৌলকঙইতা। চাপু

৭০। শায়েঙ পামবোমদা অ লচাও শিব্যমুঙ ৭৫০ খুপোময়াই হাপা খুতাংদা য়াইচাও শিবা ৭৫০ য়েলতু খোকলোংথেংপমু ৭৫০ কেগে নিংথৌগীদি মনাই কমথৌ ওইনবা ১৭২১ গা লাইয়া পালবা পুঙনে। কেগেসিমু কমানা মচেৎ তাহনঙমদা কমানা লাকচাঙ-দা খোইরাংবু চায়থোককে চায়থোক উমতনা পাললে। খুমোম কাংবুমু অকম অথৌ শকথঙনা পুমনা তানা পালয়ে।

খুমোম কংলৈ মকাইকম অমদি চাপুরি পুঙ কৌখিবতি করি তৌখিবা নোংদগী কৌখিবানো হায়রবদি। লহাম হৌখিদৈ হয়ীংদা খোইমুন লাইখিংথৌনা মথং মথং শমথরকনা তাইবং পালবু শেমলকপনা অকা কংতা অচৌ শক নিংথৌ খাইমা

নাওপু তমলমরে। হাহপাগি। চাপুথীপুঙাবো। তৌনা কৌপাপু। পোইলইতাপু থীপামা। হাপীপুঙবো থোলনায়ে। তাংখা কংলই মাতাইনতী। সাবা শঙকাইথেকপাল-বৌ। কৌপাতী কাতৌ নোংকীনো। হায়ীঙইতা। কে ২ না মিংকোমা মোইরাংনা তেংখানাপাতী রু চেকপুলী সাবাবো কৌয়ে। পোলপী রু চেক আচঙপাপু য়ীসঙ লইমী খল। কঙসঙ রুইনা লামা সুরমপাপু। পানপা কৈনাথেঙরে হ ইপাকিপু। সাবা শঙকাইথেকপালবো কৌয়ে।

তাংখা মাতাইমাতী। য়ীপু য়ীপেল কমবো কোপাতী কাতৌ নোংকিনো। খোইয়ম লাইয়ি থো। মাংলরেল লইসেমপা করো নোংসেমপামা। লাইচা য়ীখালকঙইতা

শমখমকমা চাদা নাওদা তমলকয়ে হাইবক্লিবু পুরীপুঙ ও তৌমা কৌনাপবু পোইলৈ তাপুথীবনা ৮ বং ৬-ও কৌমা থোলনাখিয়ে। তাংখা কাংলৈ মকাইকম ১দি শাবা শঙকাইথেকপাল-ও কৌনখিবদি করিদগী কৌ খিবমো হায়রবদি নহাল হয়ীঙৈদা কেগেনা মিংকৌনা মোইরাংনা থাকপা লৈতনা হ য়নবদি ইচেকপু শাবা-ও কৌনয়ে। য়ুমদা য়োকপা পোলপী উচেক অহিংবশীদমক ঈগীশঙ লৈমাথন্না লাঙশঙ লৈমা শামা থমববু পামবা কৈমা থেঙরে হায়রবগী, শাবা শঙকাই থেকপাল-ও হায়না কৌনখিয়ে।

তাংখা মকাইখম অমদি ঈপু ঈপেল খম-ও কৌবাদি করি তৌবদগী কৌখিবগে হায়রবদি, খোইয়ুম লাইথি থো তেংবাংবা

করো নোংমাঙোলকি। লাইচা য়ীরিক লাইপু থালকয়ে হাইপাকিপু। য়ীপু য়ীপেলকমথো জোনা কৌয়ে। কে ২ য়ীপু য়ীপেল কমপু নাঙইমমা ঙাংখা কংলই লমাথক। মতাইমাক্তী ঙাংখা চীঙনুংগোইখো। কোপাতী কতোনোর্কনো। লাহলনোং। চীঙঙ চিঙসেম পালসেমপা মালয়েম লইহঙপালা। চিঙথেল পালসংবা থরাংপাপু। পালসেমকে হাইনা। সংলঙ থৌ- লাঙপাপু। য়ীকুং কোপা চীঙনুং সে ইপানা কায়ে হাইপা- কি ঙাঙখা চীঙনুং হংগোইখো জোনা কৌয়ে হাইজাপালা। কে ১ লৌখা থকুথোং। মোইরাং চাম্লৌ

মপুনা মালেম লৈশেমবা কোরৌ নোংশেমবনা লাইজা ঈপিং শেমলকতুনা কোরৌ থোংমদোলদগী ল.ঈজা ঈলিক লাইজা তাইবং পালদা থারকলে হায়বকিবু ঈপু ঈপেলকম-ও জোমা কৌ-খিয়ে। কেগে ঈপু ঈপেলকমপু থমলমলগা ঙাংখা কংলৈ লমমথককী মফম অথদি ঙাংখা চীঙনুংশোঙ্-ও কৌশিবদি কমি জোরদগী কৌনথিবনো হায়রবদি। লহানক্তে চীঙঙ লাক্ত চীঙশেম মালশেম্বা মালেম লৈনু লৈশোবানা চীঙলেল অথোইবনু, থোইমা থাং চাঙবনু শেম শাগে হাইনা থৌরাংলিক্লেদা চীঙ শেমবা লোইছোদনা নোং- ঙংলকাবা হায়কদে হাইবগী ঙালখা চীঙনুং শোঙ্-ও তৌনা কৌনখিয়ে হাইদবরা।

কেগে লৌখা তকুথোং মোইরাং চামক্লৌ তুমুংপোক থাংঙা

ভুলুংপোক। খাংঙা লইকোইথোংপু । ভরলোনু নাইতেনা। হাংটৈল যুরুমপী কোঁপাস্তী। লুৱাং মাতা মাওয়ু ভালপানা । হাওলৌ লাপালরোক চেমোম ওনখাইতালনকপাপা। বাংটৈল থাওথোম যুপু। খামপী মইতা লুমচারয়ে। হাইপাকি: বাংলম যুলুমপীদো থোলনায়ে। তৌমু পালকোইয়া আমাই শিঙরেনখা কে ২ লাইতোলচম টৈলমা থাঙনৌপীকু। মোইৱাং নিংথৌ মীখাই কইরেমপাকা। মাতাইরেম আওমপা-পললেল লইপাক কোইপা পুমলামাকা। লেনতাক পুঙথোলয়ে। পোাই তু চোংতোথে। চুরেল লাঙোল-কিতী। পোলপী মৈতীং থিংগ্রামচেক। ঔমু লাইতাঙপা

টৈলকোইথোংমু থনমলাপা মখং অম দ। বাংটৈল যুরুমবী কৌবতি লুৱাংমচা শাতালখশিংনা মাওশা কানবা টৈরম লৌনা টৈম খানা শাতামটৈপা টৈশালাংনো অম পোংথাবা খুংথা বাংটৈল মানবা যুবু রেংলুখদাদি অকাংবা যুঁগম শায়মমে, লাইবরী মকম ভযুম বাংটৈল যুরুমপী-ও হয়না থোলমখিয়ে। তোমু পালকোইয়া অমাই শিঙরেমখা কেগে লাইতোলচম টৈলখা থাঙবৌবীগা মোইৱাং নিংথৌ ইখাইকৈরেমপাগা মদাইরেম অঙবখা মালেম টৈপাক কোইনাচংপা ঢাওনা অঙম আলৌ টৈলপাক মীয়াম ঝাঙমা লেমতাক পুঙবু থোল পোইবু থোংবু তৌটৈপা হুয়েল লান্দাটৈদবী। পোনবী ভুবিং থিংগ্রামচেক উমু লাইতাঙবা উলেল পেংচোইবা

